**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-09.2024)**

**অমৃত সাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিট সাহনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরদা উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং ৱারী শান্নদুনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা থৌরাং পায়খৎলি।

টার্ম অহুমলকশুরবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিগী নুমিৎ ১০০ নি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি কাংলুপকী ওইবা ইরাংনি। ইরাং অসি উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা হন্দক হৌখিবা নুমিৎ হুমনিরোম অসিদা হিংশাগী থৌদোক খরা থোকখিবা নত্তনা হৌখিবা থা অহুমলোম অসিদা কা হেনবা হিংশাগী থৌদোক থোকখিবা লৈতে। হৌজিক লৈরিবা ইরাং অথুবা মতমদা লাকশিনবা ঙমগনি। উংখৎনরিবা কুকি অমসুং মীতৈ ফুরুপকা ৱারী শান্নবগী থবক চত্থরি। ৱারী শান্নদনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই।

মহাকা মখা তানা হায়-মণিপুরগী ম্যানমারগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা কিলোমিটর ৩০ শম্বল খাবা লোয়রে। মখা তানা ইন্দো-ম্যানমার ঙমখৈদা কিলোমিটর ১,৫০০ শম্বল খানবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা অখন্নবা বদজেট কায়থোক্লে। ঙমখৈ পরিং অসিদা হান্না ভিজা য়াওদনা চংথোক চংশিন তৌরম্বা অদু ভারতকী মায়কৈদগী থিংজিনখ্রে। ভিজা য়াওদনা ম্যান্মারগী মীওইশিং ভারত্তা চংল্লকপা য়াররোই। মীতোপ চংশিল্লকপা থিংননবা সি.আর.পি.এফ থমদুনা ঙাক শেল্লি।

**কেন্টিন (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মণিপুরগী মীয়ামদা নোংমদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা অনৌবা কেন্দ্রিয়া পুলিস কল্যান ভন্দার ১৬ ঙসিদগী হাংদোকখ্রে।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা কেন্দ্রিয়া পুলিস কল্যান ভন্দারশিং অসি তম্পাক্কী জিলাশিংদা ৮ অদুগা চীংগী জিলাশিংদা ৮ হাংদোকপনি। থৌরাং অসি হান্না রাজ্য অসিদা হান্না লৈরম্বা বন্ধার ২১ গী মথক্তা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলকপনি।

তম্পাক্কী জিলাশিংগী ওইনা জিরিবামগী সোতো বেক্রাদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী ২০ শুবা বত্তাল্লিয়নদা, ককচিং জিলাগী শুগনুদা লৈবা বি.এস.এফকী ১৩১ শুবা বত্তাল্লিয়নদা, থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং তেকচম লৈকাইদা লৈবা বি.এস.এফকী ১০ শুবা বত্তাল্লিয়ন অমসুং লিলোংদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী ১৯ শুবা বত্তাল্লিয়ন, বিষ্ণুপুর জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা সি.আর.পি.এফকী ৮ সুবা বত্তাল্লিয়ন অমসুং মোইরাংদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী ৩২ শুবা বত্তাল্লিয়ন, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা লম্লাইদা লৈবা বি.এস.এফকী ২৯ শুবা বত্তাল্লিয়নদা হাংদোকপনি।

ককচিং দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা বি.এস.এফ কেন্তিন মীয়ামগীদমক হাংদোকখ্রে। মফম অদুদা লৈবা বি.এস.এফকী কম্মান্দেন্ট ফিরোজ আলম শৈখনা কেন্তিন অসি ঙসি হাংদোকখিবনি। কেন্টিন অসিনা জিলা অসিগী মীয়ামদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং অসি চান্নবা মমলদা ফংহনবা ঙম্লগনি।

চীংগী জিলাশিংগী ওইনা চান্দেল জিলাগী লৈকুন, তেংনৌপল জিলাগী ত্রেদ সেন্তর মোরে, সেনাপতি জিলাগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স, কাংপোকপী জিলাগীনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর অমসুং নিউ কৈথেলমানবীদা লৈবাক কে. সিনাম ভিলেজ, চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা কংভাই অমসুং চুরাচান্দপ্র দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর অমসুং উখ্রুল জিলাগীনা লিতানগী

মহাদেবদা লৈবা বি.এস.এফ অমসুং সি.আর.পি.এফকী কেম্পশিংদা হাংদোকখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অনৌবা কেন্দ্রিয়া কল্যান ভন্দার ১৬ মনিপুরদা হাংদোরকপগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং গহ মন্ত্রি-অমিত সাহবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

**অভিয়ান(এল)ঃ** লৈবাক অসিদা স্বাচতা হি-সেভা অভিয়ান ২০২৪, ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। কেম্পেইন অসি মথং থাগী অনি ফাওবা চথগনি। কুমশি চহিগী থিমদি-স্বাভাব স্বাচতা-সংস্কার স্বাচতা হায়বসিনি। খোঙজং অসিগী মনুংদা লম কোইবশিংগী কোইরকফম, কৈথেল অমদি বিল্ডিংশিং, পাৎ-তুরেল, জ, সঙ্কচুৱারি অমসুং মীয়ামগী টোইলেটনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং লু-নান্না থমবা পাক শন্না থবক পায়খৎকনি।

মণিপুরদসু, ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না স্বাচতা হি-সেবা-২০২৪ হৌদোকখ্রে। রাজ্যগী ম্যুনিসিপাল, এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অরবান দিভলপমেন্ট (মহুদ) বিভাগনা শিনবা থৌরম অসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কেবিনেট হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামনা অনৌবা আশা অমদি পান্দম অমগা লোয়নননা কেম্পেইন অসি চহি খুদিংগী পাঙথোকপা তারগদি মনিপুর অমদি ভারত অসি মপাঙ্গল কনবা অমসুং চাউখৎপা লৈবাক ওইবা ঙমগনি। কেম্পেহন অসি তোঙান তোঙাবা কেটেগোরি মঙাগী মখাদা পাঙথোক্কনি। ক্লিনলিনেস টার্গেট য়ুনিটকী মখাদা ঙাইহাক লৈতনা অমোৎ অকায় লংশিনদুনা মোৎশিলহল্লিবা মফম মশক খঙদোক্কুনা মফমশিং অদু তরু-তান্ননা থমবা থবক পায়খৎকনি। মীয়ামনা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারবা মতমদতা কেম্পেইন অসি মায় পাকপা ঙমগনি। অকোইবগী ফিভম তরু-তান্ননা থম্বা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌনি খনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, হকশেল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন, পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, শিক্ষা মন্ত্রি -থৌনাউজম বসন্তকুমার, ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিনদাস কোন্থৌজম, সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি-হৈখাম দিঙ্গো, পি.ঐচ.ই মন্ত্রি-লৈশাংথেম শুশিলন্দ্রো, ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম ভাশুম, এম.এল.এশিং, অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চনবা ৱার্ড নম্বর ৮ অমসুং ৯ গী এরিয়াদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং, কাউন্সিল্লরশিং অমদি মীয়ামনা লম-তু শেংবগী কেম্পেইন পাঙথোকখি।

নোনে জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতসু কেম্পেইন অসি হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা জিলা অসিগী এ.দি.এমনা লুচিংদুনা শরুক য়াখিবশিংবু স্বার্চতাগী ৱাশক লৌখি।

স্বাচতা হি-সেভাগী কেম্পেইন অসি জিলা জিলাশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

**বসন্তা(এল)ঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়রি-মহৈ তম্ফমশঙশিং ফ্রি জোন ওইহন্দুনা মহৈরোইশিংগী মহৈ মশিং তম্বদা অয়েৎ অপন পীবিগনু।

ইম্ফালগী নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-চহি অমদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২২৯ মহৈরোইশিং লাইরিক তমহন্নবা পান্দম থল্লি। কুমশি চহিগী ওইনা ঙসি ফাওবদা নুমিৎ ১৫৩ নি হৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ঈশিং ঈচাও অমদি ইরাংনা মরম ওইদুনা নুমিৎ ১৯ নিদি লাইরিক তম্বা ফংখিদ্রে। মাঙখিবা নুমিৎশিং অসি মেনখৎনবা সরকারনা কন্না হোৎনরি। মহৈরোইশিংবু ক্লাস রুমদগী পুথোক্তুনা ধরনা অমদি রেল্লিনচিংবদা য়াওহনবীদনবা মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

মহৈরোই লুপনি হায়বা অমনা হয়েং ইম্ফালগী দি.এম.য়ু. কেম্পসতা

মহৈরোইময়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা রেল্লিনচিংবা পাঙথোক্কনি হায়না সোসিএল মিদিয়াদা শন্দোরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। হায়রিবা মীফম অদ্ পাঙথোকপা থিংননবা সরকারগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎলে। অসিগুম্বা থৌওং অসি হান্নদগী অৱাবা মায়োকদুনা লৈরিবা রাজ্য অসিদা হেন্না খুদোংচাদবা থোকহন্নবনি। মহৈরোইশিংবু লান্না লমজিংবদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি। মসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোল অমদা থোকখ্রে।

**উ(এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেইন অসিগী মখাদা ঙসি ককচিং দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী অকোইবদা উ চারা থাখ্রে।

ইমাগী মিংদা উপাল অমা হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী ওজাশিং, মহৈরোইশিংনা ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী অকোইবদা উ চারা কয়া থাখ্রে হায়রি।

**কেম্প(এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী অপ্পর আইলেন, লৱার আইলেন, লৈশিফুং অমসুং রিশিফুং খুলশিংদগী লাকপা খুঞ্জা ২০০ রোম হেনবদা গাইনিগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং ফংহনখি।

**ফোরেষ্ট(এল)ঃ** রাজ্যগী ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইল্ড লাইফ বিভাগনা শিনদুনা মথং থাগী অনিদগী ৮ ফাওবা ৭০ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পাঙথোক্কদৌরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মথং থাগী তরেৎতা রাজ্য থাক্কী ওইবা ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কনি। জিলা থাক্কী ওইনসু লাই য়েকপা চাংদমবা অমদি রাচনা ইবগী অথোই অহেন তান্নগনি হায়রি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী অখন্নবা রেল্লি অমা থা অসিগী ২১ দা ককচিংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (কোসেম) গী হেদ ইগজামিনর ওইরিবা পি. নিপেন্দ্রো সিংহদা মনিপুর সরকারগী এদুকেসন (এস) বিভাগনা চহি অসিগী ষ্টেট এৱার্ড পীরকপদা কোসেমনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। শ্রী নিপেন্দ্রো হৌজিক তাকয়েলদা লৈবা মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইরি।

**ৱামা(এল)ঃ** ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা) কংলৈপাক্কী চহি অহুমগী ওইনা মীওই ২১ না শাবা থৌ পুগদবশিং খল্লে। মোইরাংথেম নাউখম্বা মীতৈনা প্রসিদেন্ট, পাউনম থা কাবা মীতৈনা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরগনি। মীহুৎ কাংবু অসিনা চহি অসিদগীনা লাক্লিবা ২০২৭ ফাওবা থৌ পুগনি।

**ইলেক্সন ঃ** জম্মু কাশ্মির বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট হয়েং থাদনবা মপুং ফানা শেম শারে। তাঙ্কক অসিদা জিলা তরেৎকী বিধান সভা কেন্দ্র ২৪ দা হয়েং ভোট থাদনগনি। ভোট থাদনগদৌরিবা জিলাশিং অদুদি-দোদা, কিস্তৱার, রমবান, অনন্দতানাগ, পুলৱামা, কুলগাম অমসুং সোফিয়াননি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোটনা থা অসিগী ২৫ দা অদুগা অহুমশুবা তাঙ্কক্কীনা

মথং থাগী ১ দা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং মথং থাগী ৮ দা পুন্না থিগনি। জম্মু কাশ্মিরদা জেনরেলগী সিট ৭৪, সেদ্যুল কাষ্টকী ৭ অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবকী ৯ য়াওনা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৯০ লৈ।

তাঙ্কক অমত্তদা মীখলগী ভোট থাদনগদৌরিবা হরিয়ানদসু ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। ঙরাং মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ ১৯০ না মখোয়গী মীরেপচেশিং লৌথোকখি।

সিট ৯০ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখল অসিদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,০৩১ না লম্বা তোনগনি। ভোট মথং থাগী ৫ দা থাদনগনি। ভোৎ মশিংনা মথং থাগী ৮ দা থীগনি।

**দিল্লিঃ** আম আদমী পার্টি (এ.এ.পি) গী লূচিংবী আটিসি মার্লেনা, দিল্লিগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইরগনি। দল অসিগী ঙসি ফমখিবা লেজিসলেটিব পার্টিগী মীফমনা মহাকপু দলগী লুচিংবী ওইনা খনখিবনি।

মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা সিটি মন্ত্রি-গোপাল রাইনা হায়-মথংগী বিধান সভাগী মীখল পাঙথোক্ক্রিবা ফাওবা আটিসিবু মুখ্য মন্ত্রি ওইননবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখিবনি। মহাকা হায়-এ.এ.পিগী ওইনদি দিল্লি বিধান সভাগী মীখল অসি চহিসিগী ওক্তোবর, নবেম্বর থাদা পাঙথোকপা পাম্মী। এ.এ.পিবু লোয়শিন্নবা বি.জে.পিনা হোৎনৈ হায়না মহাকা মরাল শিখি।

অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল-ভি.কে. সকসেনাগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম উন্নদুনা মহাক্কী ফম থাদোকপগী চে পীশিনখ্রে।

অমরোমদা, বি.জে.পিনা হায়রি-মখ্য মন্ত্রিগী ফম শিন্দোক শিজিন তৌবনা আম আদমি পার্টিগী থৌওং হোংহনবা ঙল্লোই। বি.জে.পি. দিল্লিগী লুচিংবা-বিরেন্দ্র সচ দেবনা পাউমীশিংদা হায়-এ.এ.পি. অসি শেঞ্জা থুমজাগী থবক্তা চেন্নৈ। কেজ্রিৱালগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহি তরা অসিদা দল অসিনা চত্থখিবা শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিংগী চপ চাবা পাউখুম পীগদবনি।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ৮ শুবা ইন্দিয়া ৱাটর ৱিক ২০২৪ হৌদোকখ্রে। নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া ৱাটর ৱিক থৌরম অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা চথ্গনি। থৌরম অসিদা লৈবাক ৪০ গী মীহুৎ ২০০ রোম য়াওনা পুন্না দেলিগেট লিশিং ৪ রোমা শরুক য়ারি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না ঈচাউ থোরকপা মতমদা থেংনগদবা অমদি পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং, থকবা ঈশিং য়াওনা ঈশিংগা মরী লৈননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা সেসনশিং পাঙথোক্কনি। কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিল অমসুং জল শক্তিগী রাজ্য মন্ত্রি রাজভুসন চৌধরি শরুক য়াখি।

**হোক্কিঃ** ভারত এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোকি-২০২৪ গী টাইতল লৌরে।

ঙসি চিনাগী হুলুনবুয়রদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা য়ুম্ন্থু চাইনাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখিবনি। হন্দক অসি থারগা ভারতনা টাইতল অসি লৌবা মঙারকশুবনি।